# মণিপুরনা মেদল ৯৯ ফংলগা পোইন্ট ৪৩০ ফংদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে




২০ শুবা নেস্নেল থাঙ–টাগী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মণিপুর টিমনা দিগনিটরিশিংগা ফোটো নম্মীন্নখিবা।

| Team | G | S | B |
|---|---|---|---|
| Manipur | 76 | 14 | 9 |
| Jammu & Kashmir | 13 | 40 | 15 |
| Delhi | 15 | 13 | 33 |
| Assam | 5 | 4 | 13 |
| Tripura | 4 | 7 | 14 |
| Haryana | 3 | 7 | 10 |
| Nagaland | 3 | 3 | 2 |
| Tamil Nadu | 2 | 3 | 5 |
| Andhra Pradesh | 2 | 0 | 2 |
| Madhya Pradesh | 1 | 1 | 2 |
| Bihar | 0 | 1 | 1 |
| Chandigarh | 0 | 1 | 0 |
| Punjab | 0 | 0 | 1 |

THANG - TA

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ঃ* য়ুম্বু মণিপুরনা গোল্ড ৭৬, সিলভর ১৪ অমদি ব্রোঞ্জ ৯ ফংলগা পুন্না মেদল ৯৯ ফংদুনা পোইন্ট ৪৩০ ফংলগা ২০ শুবা নেস্নেল থাঙ–টা চেম্পিয়নসিপ ২০১৩ গী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। জম্মু এণ্ড কাশ্মীরনা গোল্ড ১৩, সিলভর ৪০ অমদি ব্রোঞ্জ ১৫ ফংলগা পুন্না মেদল ৬৮ লৌরগা পোইন্ট ২১৫ ফংদুনা রন্নর্স অপ তাখি।

ষ্টেট ১৭ না শরুক য়াখিবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা গুজরাটনা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমখিদ্রে।

খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৭ তগী হুইয়েন লাংলোন থাঙ–টা এসোসিয়েসন মণিপুরনা শিন্দুনা চথ্বরকখিবা নেস্নেল চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা সাই এন ঈ আর সি ইম্ফালগী দিরেক্টর ডাঃ সুভাস বাসুমাত্রি, ওর্গনাইজিং কম্মীটিগী চিয়ারমেন ঐচ প্রেমকুমার সিংহ, এম য়ু স্পোর্টসকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ডা□ সি ঐচ প্রদিপ সিংহ অমদি সাই এন ঈ আর সি ইম্ফালগী কো ওর্দিনেটর এ জাদুমনি সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েঙ্হোকখি।

ঙসি অরোইবা নুমিৎতা শান্নখিবা জুনিয়র বোইজ ফুন্নবা অমগী কে জি ৪৮ মখাগীদা মণিপুরগী এল হেম্বোইবা সিংহ, অন্ধ্র প্রদেশকী জি কে রাজকুমার অমদি দিল্লিগী বিকাস্না গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি। কে জি ৫২ মখাগীদা মণিপুরগী এন লোয়ালাকপা সিংহনা গোল্ড, জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগা ফাইসাল নুরনা সিলভর অমদি হরিয়ানাগী সোনুনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

কে জি ৫৬ মখাগীদা জে এণ্ড কেগী অহতিশ্যাম ফয়াজনা গোল্ড, চান্দিগড়গী রোহিদনা সিলভর অমদি দিল্লিগী জটিননা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। কে জি ৬০ মখাগীদা ট্রিপুরাগী প্রনজিৎনা গোল্ড, জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগী অহমদ রাজানা সিলভর অমদি মণিপুরগী ও শঙ্কর সিংহনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

কে জি ৬৫ গীদা মণিপুরগী ৱাই সদানন্দা সিংহনা গোল্ড, অসামগী চেংঙোই সিনহানা সিলভর অমদি দিল্লিগী রাকেসনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

কে জি ৭০ মখাগীদা মণিপুরগী টি ঐচ রোমেননা গোল্ড, জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগা মুকিম ফরুক্না সিলভর অমদি য়ু পিগী সুরজ সিংহনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। কে জি ৭৫ মখাগীদা মণিপুরগী কে এস ঐচ পোইরেঙানবা মঙাঙনা গোল্ড, দিল্লিগী সন্দিপনা সিলভর অমদি জম্মু এণ্ড কাশ্মীরগা ভক্তিয়ার অহমদ দারনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

কে জি ৮০ মখাগীদা জে এণ্ড কেগী রিজৱান রাজা মিরনা গোল্ড, দিল্লিগী নিরমল ট্যাগীনা সিলভর অমদি য়ু পি গী গৌরপ ওঝানা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। কে জি ৮০ মথক্কীদা মণিপুরগী ঐচ হেমন্তা সিংহনা গোল্ড অমদি জে এণ্ড কেগী আনন্দ ফরুক্না সিলভর লৌখ্রে।

জুনিয়র বোইজ ফুন্নবা অনীশুবা ইভেন্টকী কে জি ৪৮, কে জি ৫২, কে জি ৬০, কে জি ৬৫, কে জি ৮০ মখাগীদা অমদি কে জি ৮০ মথক্কীদা মণিপুরগী ঐচ হেপারি মৈতৈ, এস শ্রীনিভাস সিংহ, এল নোংপোকঙানবা মৈতৈ, ৱাই লৈবাক সিংহ, আর কে মোমোসনা অমদি এস সুরচন্দ্র সিংহনা গোল্ড লৌখ্রে।

সেনিয়র গার্লস ফুন্নবা অমগী কে জি ৫০, ৬৬ অমদি ৭৫ গীদা মণিপুরগী সি ঐচ তিলেশ্বরি চনু, এম মায়া চনু অমদি ঐচ পিগো দেবীনা গোল্ড লৌখ্রে।

সেনিয়র বোইজ ফুন্নবা অমগী কে জি ৫২, ৫৬, ৬৫, ৭০, ৭৫ মখাগী অমদি ৮০ মথক্কীদা মণিপুরগী কে সোমানন্দা সিংহ, কে ঐচ কিরন সিংহ, টি নাওচা মৈতৈ, ও উমানন্দা সিংহ, পি রুহিচন্দ্র, এল হেরোজিৎ সিংহ অমদি ৱাই প্রিতম মৈতৈনা গোল্ড লৌখ্রে।

# উখ্রুলগী য়ু য়ু এফ সিনা দি এম রাউ গোল ১–০ দা থোইখ্রে

FOOTBALL

| TODAY MATCH |
|---|
| NISA vs LMFA (11.30 AM) |
| USA vs KIYC (1.30 PM) |

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ঃ* ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ৫৭ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ঈ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা উখ্রুলগী য়ু য়ু এফ সিনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিম অমা ওইরিবা দি এম রাউ অৱাং সেকমাইবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে। য়ু য়ু এফ সিনা মথংগী রাউন্দদা ষ্টেট লীগকী চেম্পিয়ন ওইখিবা এস এস য়ু শিংজমৈগা তাং ২৪ গী নুংথিল পুং ১.৩০ দা থেংনরগনি।

য়ু য়ু এফ সি অমদি দি এম রাউনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৭ শুবা মিনিটতা য়ু য়ু এফ সিগী নাওশংনা অনীমক্কা মখা তাবা গোল চন্নবা হোৎনরবসু অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। য়ু য়ু এফ সিনা মেটচ অদু গোল ১–০ দা মায় পাক্লবসু শান্নরোই ৪ না য়েল্লো কার্দ চাবগীদমক মিস কন্দক্ট প্লে ওইখিবনা নিয়মগী মতুং ইন্না শিল্লি লাংলিবশিংদা ফাইন থিগদৌরি। য়ু য়ু এফ সিগী য়েল্লো কার্দশিং অদু মেটচকী ৩০, এদিস্নেল টাইমগী অনীশুবা মিনিট (৪২), ৭৬

## 57[TH] CC MEET FOOTBALL

খঙাথর তুংশাংনাওগী পাস্তা গোল ১ চন্দুনা অহানবা হাল্ফকী মতম লোয়বা ফাওবদা গোল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শরুক্তা টিম অমদি ৯০ দা খঙাথর তুংশানাও, ব্রুঙানিং, নাওশং অমদি মন্সক রাইশিংদা পীখিবনি। ৮৪ শুবা মিনিটতসু রেফ্রিনা দি এম রাওগী কে ঐচ শান্তদা য়েল্লো কার্দ অমসু পীখি।



য়ু য়ু এফ সি উখ্রুলনা গোল এটেম্প তৌখিবা বোল অমা দি এম রাওগী গোলকিপর বিক্রমজিৎনা বোল ফাজিনখিবা।

## ৩৩ শুবা ষ্টেট ওপন টেন্নিস চেম্পিয়নসিপ

# ব্রোজেন, লেলেঞ্জি অমদি প্রেমজিৎ মেন্স সিঙ্গলসকী সেমি চঙখ্রে

TENNIS

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ঃ* লম্ফেল পাৎতা লৈবা ওফিসার ক্লবকী টেন্নিস কোর্টতা চথরিবা ৩৩ শুবা ষ্টেট ওপন টেনিস চেম্পিয়নসিপ ২০১৩গী মেন্স সিঙ্গলসকীদা টি ব্রোজেন, ৱাই লেলেঞ্জি অমদি এন প্রেমজিৎ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শিনবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলসকী ক্কার্টর ফাইনেলগী মেটচশিংদা টি ব্রোজেননা রিভাস্করবু গেম ৯–৭ তা, ৱাই লেলেঞ্জিনা এ সরতপু গেম ৯–৮ দা অমদি এন প্রেমজিৎনা অজাৎ খান্দবু গেম ৯–৩ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

মসিগী মমাংদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা এন প্রেমজিৎনা বেকরবু গেম ৯–২ দা, এ সরতনা কে ঐচ বোনাবু গেম ৯–৫ দা, ইবোহলনা দেবাসিসপু গেম ৯–৫ দা, লেলেঞ্জিনা বোয়েন সিংহবু গেম ৯–১ দা অমদি কংজাম্বনা অমর্জিৎপু গেম ৯–৭ তা মায়থীবা পীখি।

চহী ১০ মখা নুপামচাগী শান্নখিবা সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা রাহুল পামৈনা গৌরপপু গেম ৫–১ দা অমদি পারসনা মহেশপু গেম ৫–৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। চহী ১৪ মখা নুপীমচাগী শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতা কটাজেনলুনা বিন্দিয়াবু গেম ৭–০ দা অমদি সেমি ফাইনেলগী মেটচতা বন্তিনা মার্লিন পামৈবু গেম ৪–০, ৪–০ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

বুমেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা সুচিত্রানা মালি পামৈবু গেম ৮–১ দা অমদি সি ঐচ বন্তিনা মোনিকাবু গেম ৮–০ দা মায়থীবা পীখি।

ক্কার্টর ফাইনেলগী মেটচতনা এস সোনিয়ানা কটাজেনলু গোলমৈবু গেম ৮–২ দা মায়থীবা পীখি।

সেমি ফাইনেলগী মেটচশিংদনা সি ঐচ বন্তিনা কে ঐচ সুচিত্রাবু সেট ৬–২, ৬–৩ দা অমদি পুজানা সোনিয়াবু সেট ৬–৩, ৭–৫ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখ্রে।



মেন্স সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা এন প্রেমজিৎনা অজাৎ খান্দগী মায়োক্তা বোল হন্নবা শেম শাখিবা।

চহী ১৪ মখা নুপামচাগী শান্নখিবা প্রি–ক্কার্টর ফাইনেলগী মেটচশিংদা ব্রান্দন মোইরাংথেমনা পিবা ঙাথেম্বু গেম ৭–১ দা, মুসানা নিসাতপু গেম ৭–১দা অমদি লুচিংনা অভিসেকপু গেম ৭–০ দা মায়থীবা পীখি।

চহী ১২ মখা নুপামচাগী সেমি ফাইনেলগী মেটচশিংদা রাহুল পামৈনা দুৱেন্দিবু ৫–৩, ৪–০ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখ্রে।

ক্কার্টর ফাইনেলগী মেটচশিংদনা লুচিংনা দিপেসপু গেম ৭–০ দা অমদি টি ঐচ রজিপনা দব্লিউ পদমেশ্বরবু গেম ৭–১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা রাউন্দগী শান্নখিবা মেটচতা পদমেশ্বরনা ব্রেন্দনবু গেম ৭–১ দা মায়থীবা পীখি।

চহী ৪৫ মথক্কী ভেটরান দবলসকী শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেলগী মেটচতা টুলেশ্বর অমদি দিলিপকী জুরানা জোয় অমদি বোয়েনগী জুরাবু ৬–১, ৬–২ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

চহী ৫৫ মথক দবলসকী শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জোয় অমদি বোল সিংহগী জুরানা কালা অমদি দিগেলগী জুরাবু গেম ৯–৫ দা মায়থীবা পীখি।

## পালমৈপুই কমাউপি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# দুইগাইপাংজাং অমদি সাইরেম সেমি চঙখ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ঃ* শওম্বুং সাইরেম য়ুঠ ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা পালমৈপুই কমাউপি মেমোরিয়েল জেলিয়ারোং সিক্স এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ঙসি শান্নখিবা ক্কাটর ফাইনেলগী মেটচশিংদা মায় পাক্লুনা দুইগাই পাংজাং অমদি সাইরেম সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতা দুইগাইপাংজাংনা শওম্বুং নমদাইবু গোল ৬–২ দা মায়থীবা পীখি। দুইগাইপাংজাংগী গোলশিং অদু মকুলোংনা ১, ১৬ অমদি ১৭ শুবা মিনিটতা অহুম, বেঞ্জামিননা ৬ অমদি ৪০ শুবা মিনিটতা অনী অমদি বোতোনা ৩৪ শুবা মিনিটতা ১ চনখিবনি। শওম্বুং নমদাইগী গোল ২ অদুনা পৌরম অমদি লনথুইনা ২৪ অমসুং ৪৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতনা সাইরেম্না নমথানলোংবু গোল ১০–৪ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে। সাইরেমগী গোলশিং অদু এম্বোনিনা ১৩, ২৮, ৩৪, ৪৫ অমদি ৫০ শুবা মিনিটতা মঙা, রম্বোনা ১৮ অমদি ২৭ শুবা মিনিটতা অনী, হেনরি, পৌপাংগাই অমদি দিগম্পুনা মথংশিংনা ৩৭, ৪৪ অমদি ৪৬ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

নমথানলোংগী গোলশিং অদুনা হেনরিবা ১২ অমদি ৫৩ শুবা মিনিটতা অনী, থেংঙাই অমদি ফিলিপসনা ৪২ অমসুং ৪৩ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা নমগাইলোংগা লংথবাল খৌপুমগা অমদি অনীশুবা মেটচতা কাখুলোংগা নমদুনলোংগা শান্নগনি।

## মণিপুরগী ফুটবোল্লর মরি লাজোং এফ সিদা সাইন তৌখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ঃ* মণিপুরগী ফুটবোল্লর ৪ চহী মরিগী ওইনা শিল্লোং লাজোং ফুটবোল ক্লবতা সাইন তৌখ্রে। নোর্থ ইষ্টকী ওইনা আই লীগতা শরুক য়ারিবা অমত্তা ঙাইরবা ক্লব অমা ওইরিবা শিল্লোং লাজোং ফুটবোল ক্লবতা সাইন তৌখ্রবা মণিপুরগী ফুটবোল্লরশিং অদুদি ৱাহেংবম অঙৌসনা লুৱাং, এস সন্দিপ সিংহ, টি ঐচ বিপিন সিংহ অমদি এন রোজিৎ সিংহনি।

## মোইরাংদা ফুটবোল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ঃ* দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা কোনবা এরিয়াগী মনুং চন্না লৈরিবা মোইরাংদা থা অসিগী ২২ দগী ফুটবোল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লগনি। মথং চহীগী জনুৱারি ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম অসিগী কোটচ ওইনা পি ঐচ সুরেন্দ্র সিংহ অমদি কে এস ঐচ রাজু সিংহ অম্ফানা হাপখ্রে


Millennium Institute of Sciences
*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

SL/29/19/B

*Form available from 7th November 2013*
@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.







Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*